ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯶ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ০১, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৬শুবা মশীং

লৈঙাক্তা মীয়াম্না থাজবা

থাজবা মাঙখ্রবদি পুম্নমক অরেম্বদা তাগনি

লিংলিবা লৈঙাকসি পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টনি, দিমোক্রেসিনি। মীয়াম্না খঞ্জবা মখোয়গী মীহুৎশিংনা মীয়ামগী লৈঙাক্লোন পায়বনি। লৈঙাক্লোন অসি মীয়ামনি, মীয়ামগীদমক্তনি। ইশম-শম্বদা লৈঙাক অমসুং মীয়াম খায়দোক্লবা য়াদ্রবা মশাগী মশা অমখক্তনি। অনীসি শেৎতোক-খায়দোক্লবা য়াদবগী হৌনবা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অচেৎপা থাজনবা লৈগদবনি। মীয়াম্নসু লৈঙাকপু থাজবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং মায় পাকহনবগা লোয়ননা মদুগী কান্নবসু লৌগদবনি। ফীভমসিদা য়ৌরকহনবা ঙম্লগদি লৈঙাক্তু অফবা অমসুং মায় পাকপা লৈঙাক অমা ওইগনি। মরম অসিনা লৈঙাক অমসুং মীয়ামগী মরক্তা থাজনবা হায়বসি লৈগদবনি। অদুবু লৈঙাক্তা শোয়দনা লৈগদবা মীয়ামগী থাজবা অসি মাঙখিদুনা হেক হেক লৈরক্তবা মতমদদি লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরম অমত্তা মায় পাক্তে। মীয়াম্নসু মদুগী তঙাইফদবা কান্নবশিংদু ফংবা ঙমদে। মসিনা লৈঙাক্তুগী মখাদা লৈরিবা মীয়াম চং ফংনা ৱারকই, নোংমগী হিংনবগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকই। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা 'চানবা লৈতে তখেন্থাং' হায়বদুগী ফীভমদা লমদমসিগী লো লৈরি, চৎনরি অমসুং লোবু খুৎনা পায়রুরবদি মদুগী চৈথেং ফংগনি খঙনা খঙনা মানা মানা ঙমজবা পান্থেশিং পুথোক্লদুনা মখল কয়াগী থৌওংশিং চত্থরকই। মসিগী থৌদৌসি ঙসি ঙরাংখক্তদগী নত্তে। মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দগী চল্লক্লগা পার্ট-সী ষ্টেট ওইনা লৈরিঙৈ অমসুং এম এল এ ৩০ খক্তমক লৈবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা লৈরিঙৈদদি অসিগুম্বা থৌদোকসি তোয়না মায়োক্নখিদে। অদুবু জন্যুৱারী ২১, ১৯৭১দা মণিপুরনা মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবা মতুংদগী ইহান হান্না কুমজা ১৯৭২দা এম এল এ ৬০গী পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখল মতুংদগী মথং-মথং লিংলকখিবা লৈঙাকশিংদদি য়াম্না তোয়না হকথেংনরক্লে। মমাঙগী হৌখ্রবা লৈঙাক লোয়নমক নোং তারগা কৈনো পোপথোকই হায়বদৌনা পল্লদ্রবসু হৌজিক বি জে পিনা লুচিংদুনা লৈঙাক্লিবা লৈঙাক অসিগী হেক মমাঙদা লৈরম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক অদুখক্তমক পনবদা মীয়াম্না শোয়দনা খঙগনি। মরমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কোকথোং অমা তৌরম্বা, কেপিটোল প্রোজেক্ট পায়খৎলম্বা, ষ্টেট অমসুং নেসনল হায়ৱেশিং পাকথোক চাউথোকহল্লম্বা, ফ্লাই ওভরনচিংবসু শাগৎলম্বা লৈঙাক অদু টর্ম অহুম্লক্তগী হেন্না থৌগাই মখা তানা পুনবগী খুদোংচাবা মীয়াম্না পীরকখিদে। মার্চ ৪, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলীগী মীখল অদুদা লোংনা তাখি। অপূনবা এম এল এ ৬০গী মনুংদা লৈঙাক খুৎপায়ননবগী মেজোরিটি য়ৌনা কারকপা ঙমখিদে। মসিগী মরুওইবা মরমশিংদা দেল্লীদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবা অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্নসু অহোংবা, অওনবা অমসুং অনৌবা লৈঙাক অমা পাম্বদগীসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু হায়রিবা মরমশিং অসিনা অকনবা ঈচেল ওইরগা চেন্থহনখিবা ঙমখিবা লৈঙাক অদু লৈঙাক্তুদা মীয়াম্না থল্লম্বা থাজবা মাঙখিবদগীনি হায়বসিমদি পুমচুম চুম্লবা ৱাফমনি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিসু অদু মওঙাই। পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লক্লবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী মীখলদা মীয়াম্না থাজরি নৎত্রগা থাজদ্রে হায়বসিগী চপ চাবা ঙানি-ঈশিংনি হায়বদু শং-শং উগদৌরিবনি।

মরমশিং অসিনা মীয়ামগী মীহুৎনা শেমজনবা মীয়ামগী লৈঙাকসিনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলকপা অফবনি হায়রিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহন্দুনা মীয়ামগা পুন্না পাঙথোকমিন্নগদবনি। মীয়াম্নবু থাজদ্রবদি লৈঙাকসিনা মণিপুরগী লম্বী পুম্নমক কোয়লাসকী মহুৎতা সনানা থারগসু মীয়াম্না চৎলু হায়বা য়ারক্লোই। মীয়াম্না থৈদোকলগা নারক-মোংশোংদা, জঙ্গলদা ওইনা চৎখিনি। মরম অদুনা হৌজিকমক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী শাথিরক্লিবা ফীভমসিগী মতাংদসু মসিবু মায়োক্নবগীদমক লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিং মীয়াম খঙনা, মীয়ামগা খুৎশম্নরগা পাঙথোক্কদবনি। লৈঙাকসিনা মায়কৈসোমদা লাক্লে হায়বা নত্তে। লাকই, হোৎনরি, তৌরি। অদুবু কোঞ্জেং-কোকফাইনা শুবা য়াবমখে শুরগা মনঙ্গলদা মরুম পুই হায়বগী ফীভমদা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লেপ্পুনা লৌখৎলক্লগা নুংতিগী পোজিটিভ কেস মশীং লেপ্পুনা হেনগৎলক্লিবা করিগীনো? লেপ্পুনসু শিরিবা করিগীনো? মসিদি অশিবগী খয়াৎতা তাখ্রবা মীওইশিংদুনা থৌওইনা শিজরগে হায়দুনা চোংশিনবদি ওইরোই। পোজিটিভ ওইনিংবসু য়াওফম থোক্তে। মরমদি মীয়াম মরক্তা থৱায় মাঙনিংবা মীওইশিং য়াওবদগীনি হায়রুবা য়ারোই। লায়না লাইচৎসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবকশিং, থাংলকপা খোঙথাং, ঙাংলকপা ৱাঙাংদা মীয়াম্না থাজদ্রে। থাজদবসিনা মরম ওইরগা থৌশা-ৱাশানরক্তবদগী ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরকপনি হায়নিংই। লৈঙাক্লা মখোয়দা লৈফম থোকপা মীয়ামগী থাজবদু মাঙহন্দনবা খরগা হেন্না শেংনা মখা তাবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎহন্নিংই। লাইচৎসি থিংনবা, শন্দোরকহন্দনবা হোৎনবগী থবকশিং অসিদি ইলেক্সনগী কেম্প্যেন নত্তে। চিন্দা খক্তা ট্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি হায়বা খক্তনা য়ারোই।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?
২) "পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওন্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?" শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?
৩) "নোংখোঙ তম্না" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৪) "হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
৫) "ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি
১) ***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৫)***
২) এম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৬কী ৱিন্নর

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়

লিটরেরি ক্যুইজ১৬গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মে ২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৬কী পাউখুম

১) "ঐনে ময়াই কাবদি ৱাংলৈ য়ুবু হেলএ, থকফরোইএ, য়াইবি ঈংনা চেনফরোইএ - কোল্লোইচমনা থাহৈদে। নমু পোং ওইবা পুম্নমকপু থৱায় অমতনে নিংঙৈনে তাইবঙ মীবু ওইনা পোক্লবা ইখোইবু খাচংথৌনি ৱাৎপা লোনজা লনথোই তানফংদরবগী লাহান লাংওন মপোক অমরক্কী থৌরম মতৌশিংবু ৱারম মতৌ খঙলুদে; হন্দক লাংওন অসিগী ৱারম মতৌ খঙদে, থৌরম য়াংগোইরিবসু কদাইনো?" পরেং মতেক অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো? ***:- "লাংলোন" দগীনি।***
২) হিজম অঙাংহল সিংহগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হায়বসি কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে? ***:- যোধ চন্দ্র সনসম।***
৩) খেবা চীংগী চীংথক্তা লৈরিবা খোংজোম ৱার মোন্যুমেন্টকী লৈরিবা দিজাইনসি করিনি হায়না লৌবগে? দিজাইনসিগী মতাংসি করি লাইরিক্তা থেংনবগে? ***:- ফুঙ্গা নূংদুম শাবা হায়না খঙনবা ফুঙ্গাগী য়োৎশবী মখোঙ অহুমনি অদুগা মখা ময়ায়দা মৈগী মওং লৌরগা নূংদুম অমা থম্বনি। অরিবম শ্যাম শর্ম্মা, মণিপুরী সিনেমা; ঐগী পাউদম, লা: ৬২***
৪) "হে তসলিমা:/নুংশিরবী/নহাক অমুক হন্না পোল্লক্তবা ওইযুকো/নঙগী নুংশিরবী বাংলাদেশতা/নৎত্রগসু কাউথোক্তুনা/ঐগী নুংশিজরবী মণিপুরসিদা।/মরমদি-/ঙসিদি ওইরক্লে লমদমসে/নহাক্কী লজ্জা।/অদুননি কপলিবা ঐখোয় তশেংনমক/নহাক্কীদমক কিরণময়ী ওইনা/থম্মোয় ফুকপা মখৈ থনুংদা।।" শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগীনি। কবি অসি কনানো, করি লাইরিক্তগীনো? ***:- লনচেনবা মীতৈ। মাগী 'থম্মোয়নুংদগী" হায়বা লাইরিক্তুদগী 'তসলিমা-১' হায়বা শৈরেংদুদগীনি।***
৫) কনানা করম্বা চহীদা কদাইদা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকখিবগে? ***:- কুম শক ১৮৫২গী 'শজিবু ২নি থাংজদা শীংজমৈ মুক্তারগী মান্দোপ্তা ৱাইখোম চাউবনা মৈতৈ লোলনা বাশোক শকপা হৌদোকএ।"***

ওল্লসি ওজা ঐখোয় পূম্বা অঙাংশিংগীদমক

ৱাইরু-ৱাইরুবদা



কুইরে অঙাংশিংনা খাউ য়ান্দুনা, বেগ পোর-পোরদুনা স্কুল কাবা উরক্তবা। কোভিদ লায়নানা অঙাং ময়ামগী লাইরিক তম্বগী রাইট মৎপা কুইরক্লে। নৌরিবা অঙাংশিংগী মচিন্দা লাইরিক্কী ৱা অমত্তা হায়রক্তবা কুইরে। এ বি সী..., বা-বা ব্লেক শিপ হেব য়ু এনি রুল, ত্বিংকল ত্বিংকল লিট্টল ষ্টার... অমত্তা হায়খিদরে। তমহৌগদবা মতমসিদা তম্বা য়াখিদ্রে। সুমাইনা ৱানা থোকপা মতম থেংনদ্রি ঐগী ওইনদি।

য়ূমদা অঙাংশিং ঙাওচৎনদুনা অদুম লৈ। তূম্মী, শান্নে, চায়, মোবাইল ফোন য়েংই, টি ভি য়েংই। মমা মপাশিংসু খঙই অঙাংশিংনা অসুম্না লেনবা অফবা নত্তে। অঙাংশিংগীদমক্তা তৌবীবা য়াবা, তৌবীফম থোকপা, তৌহনফম থোকপা, করিনা ফৈ, করিনা ফত্তে, করি পীজগনি, করি তৌহনগনি, করি তৌহল্লোই, মমা মপা অপঙ অশিং লোইনমক ইখঙদা লোইনা খঙনৈ। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকপদি পাক্লা ঙমদে, য়াদে, অরুবনি। খনবা, ঙাওথোকখিবা হায়বা অসিদি মীকূপ খরদা য়াবা ঙম্বা ঙাক্তনি। থবক ওইনা পাঙথোকপদি মতম চঙই। চহীদা, দিকেদতা, সেঞ্চুরিদা চঙনৈ। ঐখোয়না মিনিষ্টর অমদি অঙম অথৌ কয়াবু থবক তৌদে, ৱাদমক ঙাঙই হায়নরিবা অসি মসিদনি। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী তাবা নুংঙাইবা, খূবাক খূরক্লবা, অফবা মীনি হায়বিনবা থোক্ল থোক্লবা মমাঙদা মাইক্রোফোন অমা খিনজিল্লগা পংঙাঙদা ঙাঙলম শক্লম্বা হায়দোক্লম্বা ময়াম অদু পাঙথোকপা অসি শেলগী থবকনি। মতমগী, পাঙ্গলগী থবক্লি হায়না খল্লগা ঙাঙবা ওইরমদবসু য়াই। অসুম্না ইমুং অমগী মমা নৎত্রগা মপা অসিসু ইমুং অদুগী মিনিষ্টর ঙাক্তনি। মখোয়সু মখোয়না খল্লি ঙাঙলিবা খৈবিকমক পাঙথোকপা ঙম্বা নত্তে, অদুনা মচাশিং অদুগী করিসু তৌবা ঙমদে। মচানা মচাগী থোকপা, মমা মপানা মমা মপাশিংগী থোকপা হায়বদুনি।

কোভিদ লাইচৎ পাক্লা ফররোইদৌবা লায়নানি। চপ চাবা ইফেক্টিভ ওইবা হীদাক পুথোক্ত্রি, ঙাকথোক হীদাক চপ চাবা লৈ হায়বা তাদ্রি। সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং তৌবনা হীদাক লৈত্রি। চাংয়েংগী থাক্তা হীদাক কয়া লৈ হায়রি। ফরে হায়রিবা ঙাকথোক হীদাকশিং কাপ্না কাপ্না লায়না অসি অদুম চঙই হায়বা তারি। মসিদগী খল্লুরগা হায়জখিবনি। ঐনা করিবু খঙলদনা। নারগা শিবা য়াওরকই, ফখিবসু য়াওই। শিনি হায়বসু তম্বা ঙমদে, নানি হায়বসু তম্বা ঙমদে। নাহন্দবসু তম্বা ঙমদে। নাহন্দনবা হোৎনরবদি নাহন্দবসু য়াই, নাররোই হায়বমক ঙমদ্রবসু। নারক্কনি হায়দুনা অঙাং কয়া স্কুল কাহন্দবা তাই। অনীশুবা কোভিদ লায়নাগী ঈথক অসিদি নহা অঙাং চহী নৌরিবশিংদা মায় ওনশিল্লি হায়। অহানবা ঈথক অদুনা অহল-লমনশিংদা নাবা লায়নানি হায়নখি।

অঙাংশিং স্কুল কাদ্রবদি কমদৌবা? লাইরিক হৈহৌদ্রবা মীদি মীনা ঙাঙলিমখৈ থাজে, অচুম অরান খঙজবা ঙমজদে, অপঙবা ৱাখল কয়ানা মকোক অদু শৌ শাই, পোলিটিকেল পার্টি ময়ামগী ৱাঙাঙনা অপঙবা শীবিবদা লায়না থোকই। ইন্দিয়াদা লোজিকেলিটি ৱাৎপা, বিগনিং লৈজদবা, রেসনেল থিঙ্কিং শুকয়াও য়াওজদ্রবা মী কোটি কোটি কয়া লৈ। মখোয় অদু লৈঙাকপদা ৱানা থোক্তে। ভোট খোম্বা য়াম্না লায়না থোকই। ৱাঙাঙ হৈবা লীলা, দ্রামা তৌবা মানবা, ৱাঙাঙ শাঙাঙগীদমক ত্রেন তৌরবা নুপা অমনা ৱা খরা ঙাঙবদা খূবাক্তা পঙখুদা খূরগা নুংঙাইজবা ঙমজে।

ঐখোয়গী অঙাং লাইরিক হৈতবা য়ারোই। তম্লিবা লাইরিক অদুসু ভাবনা শাগৎপা রিজনিং য়াওদবা,লোজিকেললিটি য়াওদবা লৌশিং তম্বগীসু কান্নদ্রে। কোভিদ অসি করিনা থেংনরগা মায় পাক্কনি? করিনা থেংনবদা মায় পাকপা ঙমখিদবগে খঙনরবা ঙাক্তনি। অনাবা ফগৎলো হায়না মন্ত্র কাম্বা, কোয়লাউ লাউবা, লাইশোন তীনশোল শোনবা কোভিদনা কিবিদে, তাবীদে, মৱা লৌবীদে।

য়ূম য়ূমদা লাইরিক তম্বা চৎপা ফংদনা লৈরবা অঙাংশিং অসি ওজানা লাইরিক তাকপীবা য়াদ্রবনিনা ইমুংগী মমা-মপা, মপু মবেন, মচিন মৌপ্বা, মখুরা মতোলশিংনা তাকপীবা তাবনি। ঐখোয় লোইনা ওজা ওনবা তাবনি। অঙাংশিং কন্দবা য়াদে হায়না ৱাশকপা তাবনি। শরী ৱাশক অসি পন্দোল লোমলগদবনি। কোভিদ লায়নাগী ওইরিবা ফীভম অসি হৌজিক হোরেলমক সনা লৈবাক্তগী, ইন্দিয়াদগী হনখিনি হায়বসি থাজবা লৈতে। ঐখোয় পূম্বা ওজা ওল্লসি। ●

কৌব্রুদা কৈদৌগে হায়বনো হংনরি

নবকুমার ওইনা

কৌব্রু হায়বসি ইচম চম্বা ৱাহৈ অমা নত্তে। ঙসিদি মমিং লৈরবা মফম চীংজাও অমা ওইনা খঙনরে। মিং ওইবসিদি লায়বু লায়রি, মালেম ফাওগদৌরিবা ৱাঙুলোন (ফিলোসোফি) অমগী খ্বাইদগী ফজবা ৱাহৈ ওইগদৌরিবনি। ৱাহৈ অসি খায়দোক্তুনা য়েংবদা ৱাহৈ অনী থোক্লক্লি। কৌবা-লুবা; কৌব্রু হায়বনি হায়বফাওবদি খঙনরে। ৱাহন্থোক খঙনবা হোৎনরবদি মিংথোন অসিবু পীরল্লিবা ইপা-ইপুশিংগী ৱাখল্লোন্দু লাম্বা ফংলকপসু য়ারিবনি। মতম অদুদা লোনগী মপু কনানো, লমগী মপু কনা কনানো খঙনরকপা য়ারিবনি। ফজবসু খঙনরক্কদৌরিবনি।

কৌবা লুবা হায়বসি চীংখোংদগী কৌবদা চীংদোন্দা তাবা ৱাবা (লুবা) হায়বদি মান্দে। চীংদু ৱাংবা-নেম্বগী ৱাসু মান্দে, ৱাখল ৱাংবা নেম্বগী ওইগদৌরি। কৌবা চৎপা লুবা, ৱা ঙাঙনবা চৎপা লুবা হায়গদৌরিব্রা? অদু য়ৌনা ইপা ইপুশিংনা চম্ফুৎ চারগা লেল্লম্বদি মান্দে, কৌব্রুনা লৱাই লেম্ফুনি হায়রিবসিনা তাক্লিবদি, খঙনবা ৱাখলনা লাম্বা, পূক্লিং-ৱাখলদা কৌবা (থৌরাংবা, ঈশিং কৌবা), অরুবা ৱা (ৱাখল) লাম্ববু কৌব্রু ওইরকপা তারক্লি। অসুক য়াম্না ফজবা ৱাফম্বু খৎনফম, চয়েৎনফম ওইবা কদায়দগী য়ারগনি। খন্নগনি, য়েৎনগনি, লৈখায় তাবদি লুগনি হায়বশিংদু নৈনফম্নি। অদুনবু কৌব্রু কৌরম্লিবনি হায়গদৌরিবনি। মী য়াম্বগী নত্তে, মতমদু লাকপগীনি। ৱা খন্নরিবা, য়েৎনরিবশিং কনাসু য়েক্লবা নত্তে, খৎনবা নত্তে। ৱাখলদা লাম্বা ফংদবা, কৌবা-লুবা ওইগদৌরিবনি, কৌব্রু য়ৌরবদি ৱারেপ লাক্লগনি।

ঐখোয়গীদি লাইরিক তম্বা হায়বসি লৌশিং তানশিনবনি। ইপা ইপুবু লাইনি হায়রবদি ইপা ইপুনা তন্বীরম্বা হায়বনি। ইপুধৌদগী ইপুনা, ইপুদগী ইপানা তন্বীরম্বা অদুবু লাইগী ৱানি লাইৱা কৌই হায়বনি। মতমদু লাইরিক্কী লাতম (লাইরিক-বুক) য়াম্না লৈরম্বা নত্তে। পাবা থোকপশিংনা পারগা (মীপূম খুদিংনা তম্নরমদে) ময়াম্না তম্বনি, অয়াম্বনা চিনবুংনি। হৌজিক ফাওবা শাগৈগী ওইনা ইপুনা ইপাদা, ইপাদগী মথং মথং তম্নহৌবা চথদুনা লৈবা ইমুং য়াওনরি। লাইনীংসু মুৎলুবা লৈতে, লাই নীংবশিংনা ফোংনা তৌনদ্রবসু (কোনুংদা) ইমুংদা কনাসু তোকপা লৈতে। মুৎলুদবা লাইনীংবু অমুক হৌদোকপা হায়বা লাল্লিবনি। কারুদ্রবা লাইশঙদা লাই লৈত্রে হায়বা লাল্লি। লাই হায়বসি লৈরম্বা ইপা ইপু অদুবুনি, নোংথক্তগী নত্তে। ৱাখলনা শাবা অমা নত্তে, পঙহায় হায়জিনবা, পঙয়েক য়েকপা লাইশিংদু নত্তে। ইপা ইপু লৈরম্মী হায়বসিদা থাজরোইদবা কনা লৈগনি। লাই হায়বসি খন্দদবা কাঙবুনা পঙহোং হোংবা, পংঙাঙ ঙাঙবদা ৱা য়াম্না থোক্নরবনি। য়েক সলাই হোংলকপা কয়া য়াওবদগী মুক্নবসু য়ুম্নাক শাগৈ লৌরবদি য়েৎননীংঙাইদি লৈতে। লাইনীং হোংবা হায়বসি লৈরোইদবা ৱাফম অমনি। লমদমসিদা ৱা য়াম্লক্লিবগী মরম লৈগনি। কৌব্রু খঙহৌদবগী ওইগদৌরি।

খঙবা লুবা, চৎপা লুবা শাজৎ, ঙাঙবা লুবা ৱাশিং লৈবা লুরবা মফমশিংদা খনবা (কৌবা) লুরবা ৱাখলদু লাম্বা কৌববু কৌব্রুদা লাই নীংবা ওইগদৌরিবনি। মসি হেক খঙদবদা ৱাথোক অমা মাল্লক্লিবনি। ৱায়েনবদুদা ৱাখল থোক্তুবদি কৌব্রুদা খন্নরো হায়বনি। অৱাংবা থাক্তা খন্নবা, হায়র কোর্টতা, লাইগী কোর্টতা খন্নবা হায়বনি। ঙসিদি মদুমক্কি চাংয়েং লাক্লে। ৱাফম কয়া কৌব্রু য়ৌরক্লে। কনা অমনা শাউনরি, কনা অমনা ৱারৌনরি, তশেংবদি কৌব্রুনা অমুক শাফোংলকপা ওইগদৌরিবনি। ফুরুপ অমখক্তগীনি হায়রুবগীনি। লাইনীং থাদোক্লবা য়াওবগীনি, ইপা ইপু নীংশিংবা ঙম্নদবা য়াওরকপগী ওইগদৌরিবনি। ফুরুপ খায়বগী ৱাখল চেল্লগনা মী অতোপ্পা মাল্লক্কদৌরিবনি। হায়বদি কংলৈপাক্কী মীপূম খুদিং কৌব্রুগা মরী লৈনদে হায়রকপা য়ারিবনি। লৈনদে, কংলৈপাক্তা লৈরবা মীপূম খুদিংমক্লা কৌব্রু খঙগদৌবনি, কৌব্রু হায়বসি ইকায়খুম্নবা উৎকদৌবনি। মদু খঙদবদা কংলৈপাক্তা লৈবা য়ারোইদৌরিবনি। মীতোপ চিংগদৌরিবনি, মরালনা মপোৎ ফারক্লবদি চৈরাক হায়বা অমসু লাক্কদৌরিবনি। কৌব্রু খঙদবা ওইগদৌরিবনি।

নুংশিবা হায়বসিদা শিবা ঙম্নরিবনি, কৌব্রুদি চুম্না নুংশিবা নত্তে, নীংবনি, লাইফমনি। কনানসু থিংলকপা লৈখিদ্রি। হন্দক নহা খরনা কারল খরা তৌরকপসি লাই অমনা মাগী লীলা/কুন্দ্ধে অনৌবা শান্নরগেদো হায়বগী ওইগদৌরি। মখোয়সু মফম অসি থাদোক্লগা চৎপা পাম্বা ওইরোই, কৌব্রুদা লৈবা পাম্বগী ওইগনি। ইশম শম্না কৌব্রু খঙবা পান্নকপনি, কৌব্রুদা লৈবা পান্নবদি কৌব্রু খঙদবা য়ারোইদৌরি, চোপ্পরক্কনি। ফজবসু ঙল্লোই, অঙাও অফৈবু মাল্লকপসু য়ারিবনি। নোংথক্তগী লাই অমনা শিল্লক্কদৌবসু নত্তে, লৈমিন্নরিবা মীয়াম মরক্তা খন্নগদৌবা ৱাখল অদু করি ওইগদৌরি থিবদু কৌব্রু কারগা (ৱাখল খল্লগা) খঙলক্কনি হায়বনি। মৈ চুরম্বশিংদু ঐখোয়গী ইচা-ইনাওশিংনি, ইমুং অমগী মীওই ঙাক্তনি। ঐখোয় খৎন-চৈনবা, য়েক্লবগুম্না ৱা ঙাঙনবা হৌনদে। বৃটিশকী মতৌ তম্লগা ইংলিসতা ঙাঙনবা য়ারোই। ইংলিসকী মতৌ তম্লগা লম লৌশিনবগী লৌশিং য়াওরকপা য়ারিবনি। মীগী মতৌ তম্লবদি (ঈ য়াওরম্বসু য়াই) লমদমসি থাদোক্লগা চৎখিবা অদুসু খুদুং ইনবা তারক্কনি। ইমুং-মনুং ওইনা খল্লগা ঙাঙনবা হৈরক্লগনি, ঙাঙবা শোয়রবদি খনবা শোয়বগী ওইগদৌরিবনি। কৌব্রু হান্না খঙবা তাবনি, মীতৌ তম্লগা মুকপা চৎনরোহৈ। ইচা-ইনাওশিংদা মীচাবোক্তা ঙাঙবা মাল্লবসু কৌব্রু খঙবা মাল্লক্তবা য়ারিবনি। ৱাঙাঙ হৈতবনা মপা চৈবা শকপা, ৱাঙাঙ হৈত্রবদি লৈবাক্কী থৌশিল য়াওবিগনু হায়নবা য়াওরক্লবনি। লৈরিবা লমদমসিগী অরুবা ৱা ঙাঙবা হৈবদুবু কৌব্রু লাই লাৎপা কৌই, চুরান থাবা য়াম্লিবসিদি কৌব্রু খঙবা ৱাৎনবগীনি। কৌব্রু খঙলগা খোইদৌ ফাথখিগনি।

অমরা-অমরা কৌব্রুদি লৈরনি, মালেমগী মীয়াম লাক্লনি। করিনি হায়না খুমগদৌরি, করি উৎকদৌরি, করি হায়না ওক্কদৌরি। অৱায়বা লাইগী মীতম য়েংনীংলেই, ঐখোয়গী ইপা-ইপুদু কনাবু মানগদৌরি মশকপু খঙলব্রা? করম্না কৌব্রু কৌবনো, শুরুং খরা, উক্রোং খরা উৎলগা কৌব্রুনি হায়বা য়ারদরা? মিৎ মপা কদায়দা, নাকোং মপা কদায়দা, নাতোন মপা কদায়দা, লুখম মপা কদায়দা, তেংখন মপা কদায়দা, লাইপক মপা কদায়দা লৈবনো খঙদনা করম্না লৱাই লেম্ফু (খ্বাইদগী চাউবা ফু-চফু) পুথোকপা ঙমগদৌরি। কৌব্রুনা লেনফুনি হায়বা উৎপা ঙম্লগদ্রা? তম্নখিবা তারি। মীয়োক মীচান ফবা উৎপা তারি, মীবু থৌগল তৌবা ঙম্নবা তমখিবা তারি, হুইগুম্না খোংবনদি য়াগদৌবা নত্তে। ঐখোয়গী শক্তম মীতম অচৌবা (ফুট লিশীং ৱাংবা) অমনা উৎপা ঙমগদরা, লাতম শেংনা ইথোকপা লৈরব্রা?

শেম শাবসু অমত্তা লৈতনা থবক হৌরবগুম খঞ্জবসু য়াওরব্রা? ৱাখল পরিং তারবদি খৎনববু শংলরোই, ইশানা করি থৌদাং য়াগদৌরি খন্নরক্লগনি। ফুরুপ ময়ামগী ওইরবা মতমদা খৎনবা, শাউনবা মাঙখ্রগনি, অৱায়বা ৱাখল থাদোক্লরক্লনি। মতেং পাংগে ঙাক্তা থোক্লক্কনি। ৱাবু য়াম্না ঙাঙনররোই, ফুরুপ কাউনখ্রগনি। অরায়বা ৱাদা টুরিজম স্পোট অচৌবা অমা ওইরগনি। লুরিবদি কৌব্রু হায়বদি মীওইবনা মতৌ করম্না অফবা ৱাখল খল্লবা অৱাংবা লেনফু য়ৌগনি হায়বসি উৎপদুনি। পুয়া খরদা লৈবদু শৈরেং থিবগুম থিরগা য়াগদৌবসু মাল্লক্তে। শাজৎশিংদু ইশাদা হান্না চুনহনবা অমা চঙলি, কৌব্রুগী লাইগী মচা-মশুনি হায়বা উৎপা তারি। লাইশঙ খরদা শেল খরা পীরগা হুরাল্লগা ক্যু কাল্লগা চঙবা য়াবদু কৌব্রুদদি মাল্লোই। কৌব্রুদি উমংলাই অতৈগসু মান্নগদৌবা মান্দে, হরাওবা হৌদোকখিবগী ৱারীদা অরোৎপা য়াওবা য়াফম থোক্তে, নামুংবা অমসুং হাওবা শাবা য়াগদৌবা মাল্লক্তে (ফুরুপ পুম্নমক্কী ওইরক্লবদি)। খল্লি।

কৌব্রুদা লাইনা তৌবা ঙম্বনা করি, মীনা তৌবা ঙম্বনা করি য়েংবা তারি। লাইদুনা মী ওইনা অমুক থোক্লক্লগা তাক্লরগনি হায়বদি লৈতে খঙলিবনি। খঙদবগী য়েৎনবগা, তনদবগী য়েৎনবগা ৱাহৈ মান্নরোই। মপুক ফত্তবশিংগী ৱাহৈদি ময়েক শেংনা খঙগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।